# প্রসিদেন্ট কোবিন্দ, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সর্দার পতেলগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে





ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সি): প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সর্দার বল্লভাই পতেলগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

দিল্লিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ অমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহ য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লুচিংবা কয়না সর্দার পতেলগী ১১৪ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎলি। থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর হর্দিপ সিংহ পুরি, দিল্লিগী লেফটনেন্ট গভর্ণর অনিল বাইজাল অমদি হোম মিনিষ্ট্রিগী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

কুমজা ২০১৪দগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা পতেলগী মপোক কুমওনবু নেসনল য়ুনিতি দে নত্রগা একতা দিবস হায়না থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কুমজা ১৮৭৫গী ওক্টোবর ৩১দা গুজরাটকী নাদিয়াদতা পোকখিবা পতেলনা ইন্দিয়াগী অহানবা হোম মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট ৫৬০ রোম ইন্দিয়াদা পুনশিন্নবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখি।

নেসনল য়ুনিটি দেগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক্কী মফম কয়াদা সর্দার পতেলগী ইকায় খুম্নবা উৎপগী তোঙান-তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লি। গুজরাটকী কেবাদিয়াদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা সর্দার পতেলগী মীতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা হৌজিক অহোংবা কয়া উবা ফঙলে। মনুং হুঞ্জিনবা মফমদা লৈরিবা মীয়াম্না সেন্টরদা খল্লম্বা শেরান্নবা ৱাখল্লোল পুম্নমক কোকহনবা ঙম্লে হায়না লৌবা য়ারে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অপুনবগী শক্তম ঙাক্লবগী মতাংদা মীয়ামগা লোয়ননা ৱাশক লৌখিবগা লোয়ননা সেন্ত্রেল পেরামিলিটরি ফোর্সেস অমদি গুজারট পুলিসকী পার্সনেলশিংনা পাঙথোকপা রাষ্ট্রিয়া একটা দিবস পেরেদ য়েংখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবনা মরম ওইরগা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়ামরুম ফঙহনবা ঙমগনি। হৌখিবা চহী ৩০ রোম আর্টিকল অসি চৎনদুনা লাকখিবা মরম্না কাশ্মির তম্পাক্তা টেররিজমনা মরম ওইরগা মীওই ৪০,০০০ হেন্না শিখি। হৌজিক্তি পল অমা লৌথোকখ্রবনিনা কাশ্মির তম্পাক্তা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিলহনবা ঙল্লগনি।

পাকিস্তানগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, লানফম কয়াদা মায়থীবা ফংলবা লৈবাক খরনা অরানবা পাম্বে শীজিন্নদুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা শক্তম কায়হন্নবা হোৎনরক্লি।

# য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনী খাইদোক্তুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা থল্লকখিবা প্রসিদেন্ট রুল লৌথোকখ্রে





ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সি): জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্লা খাইদোকখিবগা লোয়ননা হান্নদগী থল্লকখিবা প্রসিদেন্ট রুল লৌথোকখ্রে।

ওগষ্ট ৫দা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখ্রবা মতুংদা ঙসি জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং লদাখপু তোঙান-তোঙানবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইহনখ্রে। ওফিসল নোটিফিকেসন অমনা হায়খি, কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৫৬ (২)না পীবা মতিক ময়াই শীজিন্নরগা ঙসিদগী জম্মু এন্দ কাশ্মির অমদি লদাখপু তোঙান-তোঙানবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইনা শরক খঙলে।

কুমজা ২০১৮গী জুনদা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিনা ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা সেন্ত্রেল রুল থমজিনখিবনি। থা ৬ চুপ্পা গভর্ণর রুল থম্লবা মতুংদা মখা তানা অতোপ্পা থা ৬ অমগা প্রসিদেন্ট রুল থমখি। পার্লিয়ামেন্টকী অয়াবা লৌরবা মতুংদা প্রসিদেন্ট রুল থম্বগী মতম থা ৬ অমগসু শাংদোকহনখিবনি।

কন্সটিটুসনগী আর্টিকল ৩৫৬কী মখাদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমদা প্রসিদেন্ট রুল থম্বগী থৌওং অসি য়ুনিয়ন টেরিটোরিদদি চৎনবা য়াদে।

চৈরকসিদা গিরিস চন্দ্র মর্মুবু জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী অহানবা লেফটনেন্ট গভর্ণর ওইনা শরুক লৌখিবগা লোয়ননা হান্নগী দিফেন্স সেক্রেটরী আর কে মাথুরবু লদাখকী অহানবা লেফটনেন্ট গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌখি।

মথং থাদা মশাগী চহী ৬০ শুরগদবা মর্মুবু জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী চীফ জষ্টিস গিতা মিতালনা থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

অমরোমদা মশাগী চহী ৬৬ শুরবা আর কে মাথুরবু জম্মু এন্দ কাশ্মির হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস গিতা মিতালনা লদাখকী লেফটনেন্ট গভর্ণর ওইনা থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

সিন্ধু সন্সক্রুতি ওদিটোরিমদা পাঙথোকখিবা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা তোঙান-তোঙানবা সিনিয়র ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। কুমজা ১৯৯৭ বেটচকী আই এ এস ওফিসার অমা ওইরিবা মাথুরনা আই আই টিদগী ইন্দষ্ট্রিয়েল ইঞ্জিনিয়রিংদা পোষ্ট গ্রেজুয়েট লোইরবা মতুংদা আই এ এস ওফিসার ওইনা দিফেন্স সেক্রেটরীগী থৌ পুরম্বনি। কুমজা ২০১৫গী দিসেম্বরদা মহাকপু চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নার ওইনা থৌ পুহনখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুগী মাংওইননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা থল্লম্বা প্রসিদেন্ট রুল লৌথোক্লে হায়না লাউথোকখি। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা ঙরাং কুমজা ১৯৮৯ বেটচকী আই এ এস ওফিসার উমং নরুলাবু গভর্ণরগী এদভাইজর ওইনা থৌ পুহনখিবনি।

# রাজ্য সভাগী কম্মিতি ৮ নৌনা শেমখিবগা লোয়ননা বি জে পিগী প্রভাত ঝাবু ইথিক্স কম্মিতিগী অনৌবা চ্যোরমেন খনখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সি): রাজ্য সভাগী কম্মিতি ৮ নৌনা শেমখিবগা লোয়ননা বি জে পিগী প্রভাত ঝাবু ইথিক্স কম্মিতিগী চেয়ারমেন ওইনা খনখ্রে।

ফম অসি বি জে পিগী নরায়ন লাল পঞ্চারিয়ানা হায়না পায়রম্বনি। বি জে দিগী প্রসন্না অচারিয়ানা কম্মিতি ওন পিটিস্নসকী চ্যোরমেন ওইনা থৌ পুরগনি। অতৈ অতোপ্পা তোঙান-তোঙানবা কম্মিতি কয়াসু শেমখি। কোংগ্রেসকী পি সুবরমি রেদিবু কম্মিতি ওন সবওর্দিনেট লেজিসলেসনগী চেয়ারমেন, এ নবনিতা কৃষ্ণনবু কম্মিতি ওন গভর্ণমেন্ট এস্যুরেন্সকী চেয়ারমেন, বি জে পিগী ওমপ্রকাস মাধুরবু একোমোদেসন কম্মিতিগী চেয়ারমেন অমসুং রাজ্য সভাগী চেয়ারমেনবুনা বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিতি অমদি কম্মিতি ওন রুসলগী চেয়ারমেন ওইনা খনখ্রে।

রাজ্য সভাগী অনৌবা বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিতিগী মেম্বরশিংদি কোংগ্রেসকী বি কে হরিপ্রসাদ, বি জে পিগী নরায়ন লাল পঞ্চারিয়া অমদি বিনয় পিসহসরাবুদে অমসুং টেলঙ্গানা রাষ্ট্র সমিতিগী টি কেসব রাওনি।

হাউসকী লিদর অমসুং ওপোজিসন লিদরনা কম্মিতি অসিগী স্পেল ইনভাইটিনি হায়না চেয়ারমেনগী ওফিসতগী থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। কম্মিতি ওন রুলসকী নৌনা খল্লবা মেম্বরশিংগী বি জে পিগী সত্যা নরায়ন জাতিয়া, স্বপন দাস গুপ্তা অমদি ৱাই এস চৌধরি, কোংগ্রেসকী পি এল পুনিয়া, অকালি দলগী নরেস গুজরাল লোয়ননা ইন্দিপেন্দেন্ট এম পি সুবাসচন্দ্র অমদি অমর সিংহনি।

হাউসকী তোঙান-তোঙানবা কম্মিতিশিং অসিনা মরী লৈনবা হিরম কয়াদা মথংগী অনৌবা কম্মিতি অমা শেমদ্রিবা ফাওবা থৌদাং লৌখিগনি। হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদা রাজ্য সভাগী চেয়ারমেন এম বেঙ্কয়া নাইদুনা দিপার্টমেন্টকা মরী লৈনবা ষ্টেন্দিং কম্মিতি ৮ শেমখিবনি। হায়রিবা কম্মিতিশিং অদুনা লেজিসলেটিব প্রোপোজেলশিং, দিমান্দস ফোর গ্রান্টস অমদি অতৈ মরী লৈনবা হিরম কয়া য়েংশিনবগী থৌদাং লৌরি। দিপার্টমেন্ট-রিলেটেদ ষ্টেন্দিং কম্মিতিগী মতম চহী ১নি হায়রি।

# আই এন এক্স মিদিয়া কেস ঃ চিদম্বরমগী হকশেলগা মরী লৈনবা রিপোর্ট পীখৎলক্নবা কোর্টনা এইমসতা খঙহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সি): দিল্লি হায় কোর্টনা ঙসি ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)তা মেদিকেল বোর্দ অমা শেম্লগা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পি চিদম্বরমগী হকশেলগা মরী লৈনবা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্নবা খঙহনখ্রে।

আই এন এক্স মিদিয়া কেসকা মরী লৈননা জেলদা লৈরিবা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পি চিদম্বরমগী হৌজিক ওইরিবা হকশেলগী ফিভম কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা হয়েং নুংথিল ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্কদবনি হায়না কোর্টনা খঙহনখি।

কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর অমসু ওইরিবা পি চিদম্বরমনা ইন্টরিম বেল পিবিয়ু হায়না কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমগী হিয়রিং চত্থরবা মতুংদা ৱাফম অসি খঙহনখিবনি। মশাগী চহী ৭৪ শুরবা পি চিদম্বরমবু হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা এইমসতা ঙাইহাক পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রবা মতুংদা মখা তানা হায়দরবাদতা লায়েংলুনবগীদমক বেল পীবিসয়ু হায়না কোর্টতা হায়জরকখিবনি।

হায়কোর্টনা হায়খি মদুদি হায়দরবাদতা লৈবা ডাক্তর নাগেশ্বরা রেদি কৌবা গেষ্ট্রোইন্টরোলোজিষ্ট অমসুং এইমসকী মেদিকেল বোর্দতা য়াওহনবগা লোয়ননা পি চিদম্বরমগী হৌজিক ওইরিবা হকশেলগী মতাংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্কদবনি। করিগুম্বা ডা. রেদিনা বোর্দতা য়াওবা ঙমদ্রবসু এইমসকী টিম অমনা হয়েং নুংথিল ফাওবগী মনুংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীখৎলকপা তঙাইফদে।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পি চিদম্বরমবু দিল্লিগী কোর্ট অমনা তিহার জেলদা নবেম্বর ১৩ ফাওবা থম্নবা ৱায়েল পীখি। ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী কষ্টদিদা থম্বগী মতম লোইরবা মতুংদা মহাকপু অমুক হন্না তিহার জেলদা থম্নবা খঙহনখিবনি। অদুম ওইনমক কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর অসিবু তিহার জেলগী ৱেষ্টর্ন টোইলেট য়াওবা তোখাইবা সেল অমদা থম্বগা লোয়ননা ময়মুদা থোংলকপা চাক ইনশাং পীজনবগী খুদোংচাবা ফঙহনগদবনি হায়না কোর্টনা য়াথং পীখি। হৌখিবা ওগষ্ট ২১দা পি চিদম্বরমবু ফোরেন ইনভেষ্টমেন্ট প্রমোসন বোর্দকী ক্লিয়ারেন্স পীবদা অরানবা থৌওং চত্থখি হায়বগী মরালদা সি বি আইনা ফাখিবনি।

# চাইনানা ইন্দিয়া মনুংগী ওইবা ৱাফমদা খুৎ থিংজিল্লকপগী থৌওংবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সি): জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্লা খাইদোকখিবগী মতাংদা চাইনানা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম ইন্দিয়ানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সনা থাদোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, চাইনা অমদি অতোপ্পা মপান লৈবাক অমত্তনা ইন্দিয়া মনুংগী ওইবা ৱাফমদা খুৎ থিংজিনবা পামদে। ইন্দিয়ানসু ঙসি ফাওবা অতোপ্পা লৈবাক অমত্তগী মরমদা ৱা ঙাংখিবা লৈতে। ওগষ্ট ৫দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখ্রবা মতুংদা হৌখিবা অহিং নোংয়াইদগী জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্লা খাইদোকখ্রবনি। থৌরাং অসিগী মখাদা জম্মু এন্দ কাশ্মির অমদি লাদাখপু তোঙান-তোঙানবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনী ওইহনখি।

ইন্দিয়ানা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা চাইনাগী সোবরেন্টিদা শীংনবা ওইনা থোক্লে হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখি। চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী গেং সুৱাংনা বৈজিংদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা জম্মু এন্দ কাশ্মির অমদি লদাখপু তোঙান-তোঙানবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইনা শেমখিবা মতমদা চাইনাগী লম খরা য়াওহনখিবগী থৌওং য়ানিংদে। থৌওং অসিনা য়ুমলোন্নরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই।

য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনী নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা য়ানবগীদমক ইন্দিয়ানা চাইনাগী টেরিটোরিয়েল সোবরেন্টি ইকায় খুম্নবা মথৌ তাই হায়নসু চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেননা ফোঙদোকখি। ৱাফম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সনা হায়খি মদুদি ইন্দিয়ানা অতোপ্পা লৈবাকশিং ইকায় খুম্নবগুম য়ুমলোন্নরিবা লৈবাকশিংনসু ইন্দিয়াগী সোভরেন্টি অমদি টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটিদা ইকায় খুম্নফম থোকই।

# হিমাচল প্রদেশতা য়ুহার হাখ্রে

সিমলা, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সি): হিমাচল প্রদেশকী মনদি দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি রিক্টর স্কেলদা ৩.৪গী চাংদা কনবা য়ুহার হাবগী থৌদোক অমা থোকখ্রে। অদুম ওইনমক মীশিমিনা অমসুং লন-থুম মাং তাকপগী থৌদোক্তি থোকখিদে।

মনদিগী অৱাং নোংপোক্তা কিলোমিটর ১০ লুথবা লৈনুংদা ইপিসেন্টর ওইখিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা চম্বা দিষ্ট্রিক্টতা খুন্দারিবা মীয়ামদা মীপায়বা পোকহনখি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতসু চম্বা দিষ্ট্রিক্টতা য়ুহার হাবগী থৌদোক অমা থোকপা লৈখ্রবনি। পনবা য়াবদি কুমজা ১৯০৫দা অকনবা য়ুহার হাবগী থৌদোক অমা থোকখিবদা মীওই ২০,০০০ হেন্না শিখ্রবনি।

# দেঙ্গিনি চিংনবা লায়নানা মরম ওইরগা টেলঙ্গনাদা মীওই ৩ শিখ্রে



হায়দরবাদ, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সি): টেলঙ্গনাদা দেঙ্গি ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা লায়না লায়চৎ শন্দারকপদগী নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা ইমুং অমগী মীওই অহুম শীহনখ্রে।

খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা কোর্পোরেট হোস্পিটালদা ঙরাং সোনা গুদিমালা কৌবা মশাগী চহী ২৯ শুরবী নুপী অমা শীখি। ওক্টোবর ২৮দা নুপী অসি ভাইরেল হিমোরেজিক ফিভর য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লায়ওং কয়া উখোরকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎলকখিবনি।

মশা ৱাই শঙদ্রবী নুপী অদু কা হেন্না শোকচিল্লকপা মরম্না কনবা ঙমখিদ্রবসু মহাক্কী পুক্নুংদা য়াওবা অঙাংগী পুন্সিদি কনবা ঙমখি। দিষ্ট্রিক্ট মেদিকেল এন্দ হেল্থ ওফিসার এ ভিসমনা হায়খি মদুদি নুপী অদুগী মপুরোইবা রাজাগত্তুসু ওক্টোবর ১৬তা দেঙ্গি ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা লায়না অমনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবনি। বার্সিনি কৌবী মচানুপী অমসু ওক্টোবর ২৭তা কাঙনা শন্দাকপা লায়না অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে হায়রি।

চপ চাবা লায়না খঙদোক্নবগীদমক তঙাইফদবা মেদিকেল টেষ্ট তৌখিদবা মরম্না লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু দেঙ্গি লায়ননা মরম ওইরগা লৈখিদবনি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক তোঙান-তোঙানবা রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না দেঙ্গি লায়না ওইরম্বা য়াই হায়বগী চীংনবা য়াবা খুদম কয়ামরুম ফঙবা ঙমখি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক ভাইরেল ফিভর লায়চৎ অমা শন্দারকপগী মতাংদা টেলঙ্গনা হায় কোর্টনা হন্দক্তা মকোক থোংবা ওফিসলশিং য়াওবা কম্মিতি অমা শেম্লগা হকশেলগা মরী লৈনবা থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখ্রবনি।

# মহা সাইক্লোনগী শাফু কনখৎলকপগা লোয়ননা কেরালা, কর্নাটকাদা নোং কন্না চুরকপা য়ানা লৈরে




ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সি): মহা সাইক্লোনগী শাফু কনখৎলকপগা লোয়ননা কেরালা, কর্নাটকা অমসুং টামিলনাদুগী মফম খরদা নোং কন্না চুরকপা য়াই হায়না ইন্দিয়ান মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

লক্ষদিপ আইরলেন্দগী মফম খরদসু কা হেন্না অকনবা মওংদা নোং চুরকপা য়াই হায়না থাজনরি। মহা সাইক্লোনগী শাফু কনখৎলকপনা লক্ষদিপ, অরাবিয়ান সি অমসুং মালদিপসকী মফম খরদা কা হেন্না শাফু কনবা সাইক্লোনগী থাক য়ৌরকখি।

লাক্কদৌরিবা পুং ১২গী মনুংদা মহা সাইক্লোননা লক্ষদিপ মায়কৈ পাঙলকপা য়াই হায়না থাজনরি। ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী রিপোর্টনা হায়খি, লক্ষদিপ অমদি মনাক নকপা মফম খরদা সাইক্লোননা মরম ওইরগা পুংদা কিলোমিটর ১০০গী চাংদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ য়ৌহল্লকপা য়াই মফম খরদদি পুংদা কিলোমিটর ১২০ ফাওবা য়াংনা শীৎপা নোংলৈ নুংশিৎ য়ৌরকপা য়াই হায়না থাজনরি।

অরাবিয়ান সিদগী হৌরকপা নোংলৈ নুংশিৎনা লাক্কদৌরিবা পুং ২৪গী মনুংদা লক্ষদিপকী মফম খরদা চৈথেং পীরকপা য়াই হায়না দিপার্টমেন্টকী রিপোর্টনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

ইন্দিয়ান মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর জেনরেল ম্রিতুনজয় মোহপত্রানা হায়খি, অরাবিয়ান সিদগী হৌরকপা নোংলৈ নুংশিৎনা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা সাইক্লোনগী থাক য়ৌনা কনখৎলকখি।

[illegible]/ এজমানা হকচাং নোংম-নোংমগী শোন্থরকপা, লোক কংখু খুবদা থবাক মচে-মচেৎ নাবা, অহিং খুদিংগী লোক য়াম্না খুবা ফহনবগী ওজা Kayamuddin বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা এজমানা য়াম্না কন্না নাদুনা তূম্বা খুদিংগী শ্বর ফুনগৎপা, অখুবা খুদিংগী থবাক য়াম্না নাবা, শ্বর শাংনা শাংনা হোনবা, লোক কংখু খুবা লোইরগা শ্বর ফুন্দুনা লৈবা, এজমানা হকচাং নোংম-নোংমগী শোন্থরকপা, লোক কংখু খুবদা থবাক মচে-মচেৎ নাবা, অহিং খুদিংগী লোক য়াম্না খুবা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, খোঙ খূৎ শিথরকপা, খ্বাং নাবা তৌরম্বা অদু ওজা MV. Kayamuddin Phundreimayum ☎ 8575814720, 8413870027 তা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Kayamuddin বু মতম চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am.
2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.

থাগৎচরিবা : Khumujam Romen Meetei
Khurai Ahongei

HL-P/4004/01

DELTA Tutorials
Kwakeithel Bazar, Imphal
The Largest & Trusted Coaching Centre for both Sc. & Arts in Manipur
ADMISSION OPEN
☞ Revision 2019
Sure Shot Question Analysis with complete Study Materials
Class X & XII(Sc. & Arts)
Class Timing: 4.30 to 7.30 pm
Available Van & Hostel
Class Starting from: 25th October, 2019
☞ Few Seats First Come First !!?
Why Delta is so Popular ?
- AC Class Rooms
- Limited Students
- Printed Study materials
- Test Series
- Mock Test
Experienced Teachers
CBSE & COHSEM
from Reputed Schools
HL-B/5750/17oct-1nov.

[illegible]/ফৈগন অমদি খুবোমশিং অসি চিকপা নাবা, শাগন অনীমক চিকপা-নাবা, ঙকশম মরী নাবা, কমলাক মরী নাবা, খোঙ অসি ইরুমতা লূমথবা, খ্বাং য়াম্না নাবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা-থকপা য়াদবা, নাকোং ঙংলগা ব্রং-ব্রং লাউরগা লৈবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা ফৈগন অমদি খুবোমশিং অসি য়াম্না চিকপা নাবা, মরক-মরক্তা য়েৎকী খোঙ অমদি খূৎশিং শিথগে তৌরকপা, খোঙ খূৎ শজিং তোয়না হৌরগা ইপংতা পংশিনবা, ঙকশম মরী নাবা, কমলাক মরী নাবা, খোঙ অসি ইরুমতা লূমথবা, খ্বাং য়াম্না নাবা, নাকোং অসি ঙংলগা ব্রং-ব্রং লাউরগা লৈবা, য়াংলেন শরূদা চিকপা-নাবা, মফম হোংলগা চিকপা-নাবা, কোক ইরুমতা লূম্বা অমদি কোক চিকপা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা থকপা য়াদবা, চাবা তুমদবা, গ্যাষ্ট্রিক অদুনা থবাক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, খৌনাওদা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, য়ারোমদা তোয়না তোয়না খেগৎলকপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, পুকচেপে নাবা, পুক্তা মতুম অমা কোয়চেন চেনবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, শিংলি নাওরি শোনবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বনি হায়না চংলগা কুইনা ফম্লগা হামেং মথিগুম্না মরূ অমা অনীখক্তং হাম্বা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

থাগৎচরিবা : Kh. Nila Chandra,
Kakwa

HL-P/5060/01